ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯴꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ১৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৪১শুবা মশীং

# ওগষ্ট ১৪ : মণিপুরগী পুৱারী

## নাতোন শুমাং ওইহল্লগুমসি

কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিলগী 'এঙলো-মণিপুরী লান' দা মণিপুরীশিং বৃটিশকী মখূৎতা মায়থীখি। লানসিদা মায়থীবদগী বৃটিশনা মণিপুরগী হান্নদগী লৈজরকপা নিংথৌনা লৈবাক লৈঙাক্লকপগী চৎনবী (সিষ্টম) পুল্লপ মুখৎখিদ্রবসু ষ্টেটসি মখোয়গী খুবামনুংদা তাখি। অদুবু হান্নদগী য়ুমলোন্নরকখিবা ইন্দিয়া পূম্বগী মপু ওইরকখ্রবা বৃটিশনা ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭কী অহিং নোংয়াইদা ইন্দিয়া পূম্বা থাদোক্লমখিবগুম পীকখ্রবা মণিপুরবুসু বৃটিশনা থাদোক্লমখি। মণিপুর হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিন্দুনা কংলাদা পাখঙবা য়েকপা সলাই তরেৎকী নীংতম ফিরাল চিংখৎখি। হায়রিবা থৌদোকসি খক্তা নত্তনা মণিপুরদা থোকখিবা লন্নাই মীওই ১/২গী নত্তবা ষ্টেটকী/অপূনবগী ওইবা থৌদোক কয়া লৈখ্রে। মপান্দগী অচৌবা লাইনিংলোনশিং চঙশিল্লকখ্রে। অৱা (মতম অমগী বর্ম্মা, হৌজিক্না ম্যান্মার) গী খূৎতা চহী কুমজা ১৮১৯দগীনা ১৮২৬ ফাওবা চহী ৭ খুন্তাক্লুরে। বৃটিশনা ঙাক শেল্লবা লমদম (প্রোটেক্টোরেট ষ্টেট) অমা ওইরকপদগী অহানবা অমসুং অনীশুবা নুপী লান থোকখ্রে। বৃটিশ চৎখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৪৭তা শেম্বা মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭কী মখাদা কুমজা ১৯৪৮দা ইহান হানবা মীখল পাঙথোকখ্রে। কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা 'মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট' খূৎয়েক পীনরগা কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী মণিপুর ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইখি।

অসিগুম্বা হৌখ্রবা থৌদোকশিং অসিগী মথক্তা মণিপুর মতৌ করম্না ওইরকখিবগে হায়বগী য়েলহৌঙৈগী হৌরক্লোনগী, ষ্টেটসিদা হৌজিক লৈমিন্নরিবা ফুরুপ পূম্নমক্কী ওইবা ৱারী-লিখুন (পুৱারী) শিং লেংদনা, অমমমতা ওইনা ময়েক শেংনা লৈজরিবা ঙাক্তনি। অদুবু ঙসিগী, হৌজিক্কী মণিপুরদা থোরক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসিদি মায়দা পুল্লপ পানবা মিৎ অনীনা নকখ্রবা নাতোন শুমাং উবা ঙমদে অমসুং ফংদে হায়বদুগী ফীভমদুদা লৈরকপদৌনা তৌই। চীংগী শরুক অমবু ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অমনা অমদা মখোয় মখোয়গীনি হায়দুনা মুন্নরকপগী থৌদোক থোকই। লূপ মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু নখোয়দি য়েলহৌমী নত্তে/নৎলি হায়বগী চিন্দা পৌদানবা থোরকই। ফুরুপ কাঙলূপ অমনা মখোয়দি মখোয়গা মমিং মান্নবা, লোন খেন্নদবা অতোপ্পা ষ্টেটকী মীওইশিংগা অমত্তা ওইনা পুনশিনঞ্জখ্রগে তেমশিংনরকপা য়াওই। ফুরুপ অমনসু পীকখ্রবা মণিপুরসিদা মখোয়গী 'হোমলেন্দ' তোঙান্না পীগদবনি হায়দুনা ফাওবা দিমান্দ তৌরকই। অদুবু হায়রিবা থোরকফম থোক্তবা, থোরক্লোইদবা থৌদোক কোকথোং অমা মনম-মনম থোকচিল্লক্লিবা অসিবু করিগীনো? করিদগী থোরকখিবা মওইরমগদগে? ৱাহংশিং অসিগী অশেংবা পাউখুমশিং মতিক চানা লৈ। ৱাহং অমা লৈরবদি মদুগী পাউখুম অমা লৈগদবনি, লৈফম থোকই। অদুবু ৱাহংশিং অসিগী চপ চাবা পাউখুম ওইবা য়াবা ৱাফমদি মণিপুরদা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্কী মীওইশিংনা মখোয় মখোয়বু মতৌ করম্না হৌরকখিবনো? মখোয়গী লাইনীং, লোল-ময়েক লৈজৱা? লৈজরগনা করি-করিনো? লৈজদ্রগনা করিগী লৈতবনো? হায়বা য়াওনা মখোয়গী হৌরক্লোনগী ৱারী-লিখুন ময়েক শেংনা খঙনদবদগীনি। হোয়, লোন অমসুং ময়েক লৈজদ্রগা মী ওইনা লৈবা য়ারোই, মণিপুর মচানি হায়বা য়ারোই হায়বা নত্তে। তৌবতবু মখোয় মশানা মশাগী মশক মুন্না খঙজগদবনি। ফুরুপ মশেলগী মরক্তসু অমনা অমগী মশক খঙনগদবনি হায়বনি। মসিগী ফীভমসি য়ৌরক্লবতদা অমগা অমগসু নুংশিননি। থোরকহন্নীংদবা থৌদোকশিংগী মশীংসু হন্থরক্কনি। মীতৈ/মৈতৈগীসু অদুঙাই চহী লিশীং ২হেনবগী পুৱারী লৈজরক্লবনি হায়দুনা লৈবাকসিদা তিল্লবা মতুংদা লৈবাকসিগী ফুরুপশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈগদবনি হায়রুবা য়াগদৌরিব্রা? হায়রুগনি হায়বা নত্তে, হায়রুবসু লৈত্রি, হায়সু হায়রোই। তৌবতবু মণিপুরদা হৌজিক লৈমিন্নরিবশিংনা মশাগী মশক অমসুং অতোপ্পগী মশকসু তুনা খঙমিন্নবা চঙই হায়বগী ৱানি।

— এদিটরদা থারকপা চিঠি —

## লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

হৌজিক উরিপোক রোদতা লৈবা লম্বোইখোংনাংখোঙগী লম্পাক্তা মেলা তৌরিবা অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ কনখৎলকপা অসিদা মীওই খরদি য়াম্না নুংঙাইতবা পোক্লরে। অনৌবা ৱেভ অসিদা পোজিটিভ অমুক ওইখৎনরক্তুনা মীশি মীনা নোংমা কাংদনা থোরক্লবনি। লমদমসিগী স্কুল কয়াসু তঙাইফদনা থোঙ লোল্লুরবনি অদুবু এদ্যুকেসনদা শোক্লক্কদবা অসি য়েংদুনা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা হাংদবা য়াদবগী কিনা-কিনা হাংলিবনি। হৌজিক কোভিদ-১৯দগী পুরা সেফ ওইবা নত্তে, তঙাইফদবগী য়েংদুনা তৌরিবনি। অদুবু মী য়াম্না তিনবা মেলা, হরাও কুম্মৈদি লেপ্পনা অফবা ওইগনি। মসি লেপত্রগনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ হেন্না শন্দোক্লবা মচাক ওইগনি। মসিদা পর্মিসন পীবিরিবা ওথোরিটিনা অমুক্তং রিভিয়ু তৌবীদুনা পর্মিসন অসি কেন্সেল নৎত্রগা রিভোক তৌহন্নীংই নৎত্রবদি মীওই কয়াগী ৱাখলদা নুংনাংলিবসি কোকপা ঙম্লোই। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং অমুক্তং চঙবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - য়াঙম্বা শ্যামসুন্দর, থাংমৈবন্দ য়ূম্নাম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭

১) **''পরিনীতা (লুহোংলবী নুপী)''** হায়বা ১৯৬৮দা অহানবা ফোঙবা লাইরিক অসি কনানা ইবা করি লোলগী ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **''মৈতৈ জগোই ১৫শুবা শরুক''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **''মেহরু''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **''নুপী/নহাক্কী পুল্লিবা শম্বুলগী মনুংদা/য়াওরি পারী-পুরিগী চয়োমসু/ য়াওরি মণি-মুক্তা কয়াসু/হয়েংগী নুমিৎসু।''** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **''শামু ময়াগী কংক্র ঙান্থক''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৬, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## ফৌখোক মুৱী অমসুং ফৌখোক লাংৱী

ডা: এম থোইথোই সিংহ



**ফৌখোক মুৱী অমসুং ফৌখোক লাংৱী লায়না :** লায়নাশিংসি লৌবুক্কী চিদাইদা লেপ্পগা য়েংবদদি উদবা য়াম্না নকশিন্না য়েংলগদি উগনি। ফৌরক্তা চঙদুনা ফৌখোকশিংদু চেকশিন্না য়েংবদা নৎত্রগা নাপী পেংবা মতমদা লায়নাশিংসি থেংনগনি। লায়নাশিং অসিনা য়াম্না মাঙহনবা ওইনা উদ্রবসু চরোং চুম্বা ৱাৎপা অমসুং ফৌ মরু চঙবা ৱাৎপনা পোখোক য়াম্না হন্থে।

**ফৌখোক মুৱী** (Stem rot), **লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই** : *Sclerotium oryzae.*

**লায়ওং :** থাপ্পা য়েংবদা খ্বাইদগী মখা তাবা ফৌনাশিং নাপু মচু চঙবা উগনি। ঈশিং ঈমায় মপাদা লৈরিবা ফৌখোক্তা মৈতানমুক মুবা মওং মরীল নাইদবা দাগশিং উগনি। লায়না অসিনা পুমহনবগী মওং মতৌ অসি পান্বী অসিমক্কী মনুং থংবা মকাদা ফাওজিনবা ঙম্মী। মতুংদা ফৌখোক য়ৌনা শোকহল্লকই। লায়না অসিনা নারিবা মনা অদুখক কংশিল্লক্তুনা চরু মাল্লকই। ফৌ পান্বীনা মপূং মরৈ ফারকপগা লোয়ননা লায়না অসি নাবগী চাংসু হেনগৎলকই।

অসিগুম্বা পান্বীশিংদগী পুথোরকপা ফৌ চরোংদি য়াম্না পীকই অমসুং থেঙঙি। ফৌ খাওখ্রবা মতুংদা চরুখোকশিংদু য়ুংনা শেগায়দুনা য়েংবদা হঙ্গাম মরুদগী হেন্না কুপ্পা কোকফাই মরু, স্কেলেরোসিয়াশিং উগনি। লায়না অসিগী তোঙানবা লায়ওংদি স্কেলেরোসিয়াশিং মশীং য়াম্না পুথোকপসিনি। অদুগা অমনা লৌফমদু ফৌ লিংনবা শেম্বা মতমদা হঙ্গাম মরু মানবা স্কেলেরোসিয়া য়াম্না তাওবা উগনি।

**লায়নাসিনা পীরকপা চৈথেং :** লায়না অসিনা ফৌ পান্বীশিং শোন্থহল্লি। মরু চঙহন্দে। ফৌথোক হন্থহল্লি। করিগুম্বা লায়না অসি ঙন্না তারবদি ফৌহাম শাৎহল্লি। খরা থেংনা তারগনা মরু চঙবা ৱাৎলি। তপ্না তপ্না শিৎপা নুংশিৎনা লায়না চেল্লবা ফৌ পান্বীশিংবু তুহনবা ঙম্মী।

**লায়নাসি তাগনবা মফমশিং :** ১) ঈশিং তুঙ্গনবা, ঈশিং চিথোকপা ৱাবা মফমশিং
২) পোটাসকী চাং নেম্বা মফমশিং অমদি ৩) নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফরসকী চাং ৱাংনা হাপ্লগা পোটাসকী চাং য়াম্না নেম্না হাপ্পা মফমশিং।

**লৌবুক্তা লায়না অসি হন্না হন্না উবগী মরম :** ফৌ পান্বীনা মপূং ফারকপগা লোয়ননা থোকহল্লিবা কোকফাই মখলসিসু মশাগী ধারাবু কঞ্জনবগীদমক হঙ্গাম মরু মানবা রেষ্টিং ষ্ট্রকচর ওইবা স্কেলেরোসিয়া কয়া চরুখোক মনুংদা থনম্মী। অসিগুম্বা স্কেলেরোসিয়া কয়াসিনা মথংগী কুম লাকপদা অমুক লায়না শন্দোকই। ফৌ লিংখ্রবা নৎত্রগা হুন্নবগীদমক লৌফমদু ইনাং তানা নৈবা মতমদা স্কেলেরোসিয়াশিংদু ঈশিং মথক্তা কোয়তাও তাওদুনা লৈ। য়েংবদা নাপী মরুশিং ঈশিংদা তাউদুনা লৈবা মাল্লি। লৌ লিংলবা মতুংদদি তাওরিবা স্কেলেরোসিয়াশিংদু সর্ফেস টেন্সন্না ফৌখোকশিংদুদা নপ-নপ্তুনা লৈখি অমসুং মফম অদুদা ময়োন চোংদুনা মরা ইন্থোরকই, ফৌ পান্বীদু লায়না অসি নাবা হৌরকই। অমরোমদা নপহৌদবা তাওদুনা লৈরিবা স্কেলেরোসিয়াশিংদুসু মতোন থোরক্তুনা কোনিদিয়াশিং (কোকফাই মরু) পুথোরকই। মসিনসু ফৌ পান্বীদা লায়না অসিমক থোকহল্লি। লায়না অসি ফৌ পান্বীনা নুমিৎ ৪৫ নিমুক শুরকপা হায়বদি মচা পোকপা মতমদা অহানবা লায়ওংশিং উবা হৌরকই।

**ঙাকথোক্লবা পান্বৈশিং :** ১) নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফরসকী চাং হন্থবা, পোটাস (এম ও পি) গী চাং খরা ৱাংহনবা, এম ও পি কিলোগ্রাম ৬৫ পরি অমা চাউবা লৌফমদা হাপ্তুনা লায়না অসি হন্থহনবা ঙম্মী। ২) লায়না চেল্লবা চরুখোকশিং মৈ থাদোক্কনি। নিংথমথাদা হঙ্গাম থারমদাইদা চরুখোকশিং মৈ থাদোকপসিসু লায়না অসিগীদমক্তি কান্নবা অমনি। ৩) ঈশিং চিংথোকপগী খুদোংচাবা লৈরবদি ঈশিং চিথোক্লবা মতুংদা Hexaconazole ৫% মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ফৌখোক চোৎনবা কাপথোক্লবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা ঈশিং অমুক থাজিনবা য়াই। ৪) ফৌ লিংলমদাই নৎত্রগা হুল্লমদাইদা তাওদুনা লৈরিবা কোকফাই মরুশিংবু জালি অমনা শেল্লবা লোংথ্রাইনা কোখোকহৌগনি।

**ফৌখোক লাংৱী** (Sheath blight), **লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই** : *Rhizoctania salani.*

**লায়ওং :** লায়না অসি ফৌ পান্বীনা মপূং মরৈ ফারকপা হায়বদি মচা পোকথোকপা অমসুং মপাল শাৎলকপা মতমদা নাগল্লি। লায়না অসি মনাগী মখা থংবা শরুক হায়বদি ইমায়গা নক্লনা লৈরিবা পান্বীবু য়োমশিল্লিবা মকাগী শরুক্তা অঙৌবা মপাক মপাক ওইনা উরম্বদগী মথকলোমদা অসুম অসুম শন্দোরক্কনি। মওং অমসুং চাওবা মান্নদবা, চোৎ চোৎ লাউবা তোংতক তৌবা উৎ মানবা মচু ওইনা তৌবা দাগশিং লৈবা থেংনগনি। দাগশিং অদুগী অকোয়বদু কোনা মচু (ব্রাউন) মানগনি। দাগশিং অসি অমগা অমগা শমজিন্নদে। দাগশিংগী মরক্তা মশা ফরিবা মনাগী শরুকশিং লৈবা থেংনগনি। মপূম ওইনা য়েংবদা লিল্লবোব মান্না মরাং মরাং লাংবা ওইনা উগনি। মসিগী লায়ওং অসি সিথ ব্লাইটকী তোঙানবা অতৈ লায়ওংগা মান্নদবা মওংনি। লায়না পল্লবা ফৌ পান্বীগী মউদা হঙ্গাম মরু মানবা স্কেলেরোসিয়াশিং পকপা থেংনগনি। Sheath blight কী scelerotia না ষ্টেম রুটকী স্কেলেরোটিয়াদগী চাউবা খজিক হেনগনি অদুবু মশিংদি য়াম্না হন্থগনি। থেংলুবদা লৈবাক্তা কেনখিগনি অদুগা মথং অমুক লায়না অসি শন্দোক্লবগী মচাক ওইনা লৈখি। ব্লাষ্টকা সিথ ব্লাইটকা পূন্না তাবা য়াম্না তোয়না থেংনগনি।

**লায়না অসিগী চানবা ঈশিং নুংশিৎ :** ১) ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংবা (রিলেটিভ হ্যুমিদিটি চাদা ৯০), ২) অঙৈং অশাগী চাং দিগ্রি সেলসিয়স ২৫দগী ৩০ ফাওবা লৈবা, ৩) নোং য়াম্না চুবা, ৪) নাইট্রোজেনগী চাং হেন্না লৌফমদা চাইবা, ৫) মণিপুরদা অশিনবা লৌফম্না নম্বা (কোকফাই শুজা অসিগী খ্বাইদগী চানবদি পি ঐচ ৫নি), ৬) অনৌবা পোখোক য়াম্না লৈবা ফৌ মখলশিংসিনা লায়না অসিদগী মশা ঙাকথোকচবা ঙম্লক্তবা, ৭) লৌবুক্তা নাপী য়াম্না লৈবনা লায়না অসি শন্দোকপদা মতেং পাংই।

**করম্না লায়না অসি লৌবুক্তা হন্না হন্না উরিবনো :** ১) কোকফাই শুজা অসিনা লৌরীদা হৌরিবা নাপীশিংদা হিংদুনা লৈ। কুম নত্তবা মতমদা লৌরিদা হৌরিবা নাপীশিংদু চবাক্লনা ঙৌনা লৈবা থেংনৈ। মসি নাপীশিংদুদসু সিথ ব্লাইট থোকহল্লিবনি। ফৌগী মতম লাক্লগা ফৌদা অমুক লাকপা ঙমই। ২) কোকফাই শুজা অসিনা স্কেলেরোসিয়া ওইনা লৈবাক্তা হিংদুনা লৈহৌবা ঙমই অমসুং চপ চাবা ঈশিং নুংশিৎ ফংলবা মতমদা মতোন থোরকই। মতুংদা পাকথোক চাউথোরক্তুনা (শন্দোরক্তুনা ফৌ পান্বীদা য়ৌরকই।

**লায়না অসিদগী কন্নবা পান্বৈশিং :** ১) নাইট্রোজেন য়াওবা হার চায়বা হন্থহন্দুনা লায়না তাবগী চাং হন্থহনবা য়াই। নাইট্রোজেন তপ্না তপ্না থাদোকপা ঙম্বা হারশিং শীজিন্নবা ফৈ। ২) Hexaconazole 5% or Propiconazole 25% মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং অমসুং ফৌখোক চোৎনবা কাপথোক্কনি। ●

## ষণবুশিংনা অফবা শঙ্গোম পুথোকপা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোথোকশিংসি মীপুম খুদিংমক্না য়াম্না পাম্না থক্লুরি অমদি চানরি। মালেমগী ওইনা ঐখোয়গী ইন্দিয়ানা শঙ্গোম পুথোকপদা য়াম্না ৱাংনা লৈরি অদুবু অতোপ্পা লমশিংদদি শঙ্গোম থকপগী হৈনবী লৈবদুমাইনা ঐখোয়গী মফমসিদদি শঙ্গোম থকপগী হৈনবীসি অঙাং খক্তদা ওইনা লৈবগুম তৌরি। মফম অসিদা ফংলিবা শঙ্গোমগী ক্বালিটিসি অসুক্কী মতিক য়াম্না হন্থরি অমদি শঙ্গোমগী মমলসু অরেপ্পা অমা লৈত্রি। কো-ওপরেটিভ সোসাইটি নৎত্রগা অতোপ্পশিংদি মাগী মাগী অপান্বা মমলদা অদুমক শঙ্গোমশিং য়োল্লি অদুবু তশেংনা মসি অরানবা অমনি। শঙ্গোমগী মমলসি শঙ্গোমদুদা য়াওরিবা ফেটকী পার্সেন্টেজগী মতুং ইন্না য়োল্লগদি য়াম্না ফৈ। পেকেটতা য়োনবা শঙ্গোমশিংদা দবল টোন নৎত্রগা সিঙ্গল টোন থাবা থেংনগনি। সিঙ্গল টোন হায়রগদি ফেটকী চাংসি চাদা অহুমনি অদুগা সোলিদ নোট ফেট অসিনা টোন থাবা থেংনগনি। সিঙ্গল টোন হায়রগদি ফেটকী চাংসি চাদা অহুমনি অদুগা সোলিদ নোট ফেট অসিনা চাদা ৮.৫ নি। অসুম্না দবল টোন হায়রগা ফেটকী শরুক অসি চাদা ১.৫ নি অদুগা সোলিদ নোট ফেটনা চাদা ৯ নি।



অফবা শঙ্গোম হায়রগা ক্বালিটি লৈবা শঙ্গোমদুবুনি। ক্বালিটি লৈবা শঙ্গোম হায়রগদি শুমদোল্লবা শঙ্গোমদু অফবা পাত্রদা হাপ্তুনা অমোৎ অকায়, উফুল, হয়িং, কাংনচিংবা অমোৎপা অমত্তা চঙহন্দবগা লোয়ননা বিন্ধা ওন্দনবা কুইনা থম্বা য়ানবা, পুথোক পুশিন তৌবদা শঙ্গোমগী ক্বালিটি হন্থহন্দনা থম্বা ঙম্বা অদুবুনি।

**শঙ্গোম ফাথনবগী হৌরকফম ঃ** লায়না চেন্দবা ষণবীদগী পুথোরকপা শঙ্গোমসি অফবনি, মসিদা মহিক অমদি ফৎতবা অমত্তা য়াওদে অদুবু হায়রিবা শঙ্গোমসি নিংথিনা থম্বীহৌদ্রগদি মোৎহনবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোমসি ঐখোয়না সোসাইটিদা পুবা মতমদা হাপ্লিবা পাত্র খুদিংমক নিংথিনা চামথোকপীহৌদ্রগদি শঙ্গোম ইংহল্লগা থম্বদা শঙ্গোমদা বেক্টরিয়া অমদি কোকফাই শুজা মশীং হেনগৎহল্লি। করিগুম্বা শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী শঙ্গোম ফৎলক্তবগী চাংসু য়াম্না ৱাংই মসিনা য়াম্না চাওনা অমাঙবা অমা ওইহল্লি।

**মরমসিনা শঙ্গোমসি ফনা থমগে হায়রবদি মখাগী থৌরাংশিং অসি পায়খৎপীগনি ঃ**

**১) শঙ্গোন লু-নান্না থম্বা ঃ**

শঙ্গোন লু নান্না থম্বীদ্রগদি শঙ্গোমদা মহিক কয়া অমা চঙলক্তুনা ফৎহন্দবগী মচাক অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না মখাগী চেকশিন থৌরাংশিং অসি লৌখৎপীগনি।

⏭ শঙ্গোনসি মী লৈবা য়ুমদগী খরা লাপ্না থম্বীগনি। মনাক্তা ঈশিং তুংশিনহনবীরোইদবনি। ষন্থি-ষণয়ুংশিং নিংথিনা মফম চানা খরা লাপ্না হুন্দোকপীগনি।

⏭ শঙ্গোন শাবা মতমদা খরা ৱাংখৎপা মফমদা ওইনা শাবীগনি।

⏭ য়ারগদি শঙ্গোনগী লৈমায়সি কনক্রিট ফ্লোরিং ওইহনবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিনা ঈশিং শীজিন্নদুনা শিৎ শেংবদা য়াম্না লু নান্না থম্বা ঙমহল্লি।

⏭ শঙ্গোন শেংদোক্লিবা ঈশিং অমদি অমোৎ অকায় মথি ময়ুং খুদিংমক দ্রেনলোমদা নিংথিনা পুদুনা খরা লাপ্না থাদবীগনি।

⏭ মচিঞ্জাক হাপ্লিবা বাগোসসু নিংথিনা শেংদোক্লগা লু নান্না থম্বীগনি।

⏭ শঙ্গোনগী লৈমায়দু শেংদোকপা মতমদা ঈশিংনা হান্না শেংদোক্লবা তুংদা দিসইনফেক্টেন্ট হাপ্লগা অমুক শেংদোকপীগনি।

**২. লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপা ঃ**

ষণবুশিংনা মাগী ষণ খুদিংমক লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা মতম মতমগী টিকা থাদোকপীগনি। মতম খুদিংমক্তা খোমদা হৌৱা হৌদৱা হায়না চেক তৌথোকপীগনি। শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোমশিং নিংথিনা চামথোকপীগনি। অমদি শঙ্গোন্দা মথি ময়ুং চাইদুনা থম্বীরোইদবনি। মচা পোকত্রিঙৈগী মমাঙদা তীল চেন্দনবা তীল হীদাক থাদোকপীগনি।

**৩. শঙ্গোম শুম্বদা চেকশিন থৌরাং লৌহৌবা**

⏭ চেকশিন্না শঙ্গোম শুম্বীগনি

⏭ শঙ্গোম শুমগদবা ষণবীদু লাংহনবীরোইদবনি অমদি চাং নাইনা শঙ্গোম শুম্বীগনি।

⏭ ষণবী খুদিংমক খোমদা হৌৱা নৎত্রগা হৌদৱা হায়বদু খঙদোকপীগনি।

⏭ করিগুম্বদা ষণবীদু নারগা হীদাক লাংথক শীজিন্নরগদি শুমদোল্লবা শঙ্গোমদু অতোপ্পা নাদবা শঙ্গোমগা পূন্না তিনশিনবীরোইদবনি অমদি অতোপ্পদা য়োন্থোকপীরোইদবনি। মরমদি শঙ্গোমদসু পীজরিবা হীদাক্কী রেসিদ্যু য়াওরকই। মসি য়ামদ্রবদা হীদাক্কী কোর্স পীজবা লোইরগা হীদাক্কী ৱিথদ্রোএল পেরিওদ নুমিৎ হুমনি ফাওবদদি লৈনৈ।

⏭ শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোম/মথা, খোমজিন অমদি মশাগী নাকল অনীমক অফবা ঈশিংনা চামথোকপীরগা অকংবা ফীনা তৈথোকপীগনি।

⏭ করিগুম্বদা ষণবীদু য়াম্না লেঙবা ওইরগদি ষণবীদুগী মমৈদু মখোঙদা পুনশিনবীগনি।

⏭ শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা ষণবীগী মখোমদু/মথাদু নীংথিনা চামথোল্লবা মতুংদা অকংবা ফিনা তৈথোল্লগা খোমজিন্দু খরা শুমদোকপীগনি।

⏭ ষণবী অমগা ষণবী অমগা শঙ্গোম শুম্বদা শীজিন্নগদবা ফিদু তোঙান তোঙান ওইগনি। করিগুম্বদা ফি অমখক্তা শীজিন্নবা তারগদি দিসইনফেক্টেন্ট হাপ্লগা চামথোল্লবা মতুং অমুক হন্না শীজিন্নবীগনি।

⏭ শঙ্গোম শুমগদৌরিবা মীওইদু লু নান্না অনা অয়েক য়াওদবা ওইগনি। অমোৎপা ফিরোল শেৎপীরোইদবনি। খূৎশা নিংথিনা শেংনা সাপোন্না হাল্লবা তুংদা শঙ্গোম শুম্বীগনি।

⏭ শঙ্গোম শুম্বা মতমদা অহানবা শুম্বা শঙ্গোমদু খরা হৈদোল্লগা কোন্না পুল্লপ শুমদোকপীগনি। মখোমদা শঙ্গোম লেমহৌনা থম্বীরোইদবনি। অহানবগী শঙ্গোম খরা হৈদোকপগী মরমদি অহানবা শঙ্গোমসি বেক্টরিয়াগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওই। মসিবু শঙ্গোমদা পূনশিনখ্রদি শঙ্গোমদু ফৎহন্দবদগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

⏭ শুল্লিবা শঙ্গোমদা খূৎ লুপশিনবীরোইদবনি। চোৎনা শঙ্গোম শুম্বীরোইদবনি।

⏭ শঙ্গোম শুল্লমদাইদা খূৎতা থাউ হাপ্লগা শুম্বগী মহুৎতা ঘী ওইনা হাপ্পীরগা শুম্বনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

⏭ খুবীগা খুদোনবীগা শঙ্গোম শুম্বগী মহুত্তা খূৎ পুল্লপ খোমজিন্দুনা পায়শিল্লগা খুবীনা চিংথবনা হেন্না ফৈ। মসি শঙ্গোম লোয়না শুমদোকপা ঙম্বদা নত্তনা খোমদা শঙ্গোম লেমহৌদে অমদি খোমজিন হেন্না শাংদোকহন্দে।

⏭ মনিং থংবা খোমজিন্না হান্না শুমদোল্লবা তুংদা মমাঙদা অমুক শুম্বীগনি। মরমদি শঙ্গোম অয়াম্বা মনিংদা হেন্না লৈ।

⏭ শঙ্গোম শুম্বা মতমদা শঙ্গোম শুল্লিবা মীদুনা লোক খুবা, হাকথি খনবা তৌবীরোইদবনি মরমদি মশাগী হুমাং শঙ্গোমদা তাহনলোইদবনি।

⏭ শঙ্গোম শুম্বা লোইরগা নিংথিনা ঈশিং অশাবনা খোমজিন খুদিংমক চামথোকপীগনি।

**৪. পীজ পীথকপদা চেকশিনবীগদবা**

⏭ অরিবা মচিঞ্জাক, য়েঞ্জুং নাপী অরেম অপা খুদিংমক শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা পীজবীরোইদবনি। মসিনা শঙ্গোমদা অতোপ্পা মনম অমা চেলহল্লি।

⏭ অফবা শঙ্গোম হায়রগা শুমদোল্লবা শঙ্গোমদু ফীদা চুমথোল্লগা অফবা ওইবা নত্তে। মসি অনা অয়েক য়াওদবা মশা মউ ফবা ষণদগী পীবা শঙ্গোমনি। মসি শেন্নরিবা ষণবুনা নিংথিনা লু নান্না শুল্লবদি ক্বালিটি লৈনা শঙ্গোম পুথোকপা ঙম্বতা নত্তনা শেন্দোং লৈনা য়োনবসু ঙমগনি। ●